# লিবিয়ন ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতগী মোস্ক, জেল পায়শিনখ্রে



ত্রিপোলি, ওগষ্ট ২২ ঃ
লিবিয়ন ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস আই এস) পু নোর্থ অফ্রিকাগী মখোয়গী হান্নগী ষ্ট্রোংহোল্ড সির্টেদগী তকথোক্লবা অনৌবা শাফু অমগা লোয়ননা চঙশিনখ্রে লোয়ননা মখোয়না সিটি অদুগী মরু ওইবা মোস্ক অমসুং মিলিটেন্টশিংদুগী মোরেলিটি পুলিসনা রন তৌবা জেল অমা পায়শিল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মরু ওইনা মিশ্রাতা সিটিগী বৃগেদশিংনা শেন্বা ফোর্সশিং অদুনা হায়, থা অহুমগী কেম্পেইন অমদা সিটি অদুগী অয়াম্বা শরুক পায়শিল্লবা মতুংদা অমসুং মিলিটেন্টশিংবু সিটি সেন্টর অদুগী লেপ্তুনা পীকশিল্লক্লবা মী তাবা এরিয়া অমদগী হেন্দোকহনখিদ্রবা মতুংদা মখোয়না সির্টে পায়শিনবা য়াবগী ফিরেপ লাক্লে।

হৌখিবা ওগষ্ট ১ দগী মখোয়বু য়ু এসকী এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা সপ্পোর্ট পীখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী লাল অদুদা য়ামদ্রবদা বৃগেদ ফাইটর মাপন হাৎখ্রে অমসুং মীওই ৮৫ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মিশ্রাটা হোস্পিটালগী স্পোক্সমেন অক্রম গলিৰাননা হায়খি।

অর্টিলরি অমসুং টেঙ্কশিংনা লিংনা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা ঙরাং অঙনবদা বফারাদা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না ইস্লামিক ষ্টেটকী মোরেলিটি পুলিসনা জেল অমা ওইনা শিজিন্নরকখিবা বিল্ডিংঅমা পায়শিনখি হায়না রিদা ইশা কৌবা স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

তুংদা লিবিয়ন ফোর্সশিংনা সির্টেগী খ্বাইদগী চাউবা মোস্ক ওইরিবা রিবাট মোস্ক লৌশিনখি। মোস্ক অদুদা মরু ওইবা ইস্লামিক আইদিওলোগ টর্কি বেন অলি য়াওনা সিনিয়র মিলিটেন্টশিংনা প্রীচিংশিং পীখি হায়না লিবিয়ন ফোর্সশিংগী মিদিয়া ওফিসনা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মিদিয়া ওফিসনা হায়খি মদুদি, নৌনা কেপচর তৌবা এরিয়াশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংগী হকচাং দজন কয়া থেংনরে। মিদিয়া ওফিসনা শিখিবা ফাইটরশিংগী মশিং চপ চানা পীখিদবদা নত্তনা মিলিটেন্টশিং অদু করম্বা মতমদা হাৎখিবগে হায়বসু ফোঙদোকখিদে। শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সির্টেদা এয়র ষ্ট্রাইক ৬৫ পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু এসকী অফ্রিকা কম্মান্দনা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌবদা হন্দক্তা সপ্লাই ত্রক অমসুং য়েক্লবগী ফাইটিং পোজিসন অহুমদা হিট তৌখি।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুনা লিবিয়ন ফোর্সশিংগী প্রোগ্রেস ফগৎহনখি। ফোর্সশিং অদুগী কেম্পেইন অদু সুইসাইদ বোম্মিংশিং, স্নাইপরশিং অমসুং মাইনশিংনা তপথহনখি। হৌজিক কুমজা ২০১৫ দা ইস্লামিক ষ্টেটনা সির্টে সিটি খুদুম চনখিবগা লোয়ননা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা মখোয়না তৌরিবশিংদুগী মওংনা প্রোটো-ষ্টেট অমা লিংখি অমসুং লমদমদুগী মীয়ামদা মখোয়গী অলত্রা হার্দলাইন রুলশিং নমদুনা চৎনহনখি।

লিবিয়াদগী নান্থোকখিবা নৎত্রগা লৈবাক অদুগী মফম খরদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংনা লৈবাক অদুগী পোলিটিকেলগী কাং-খোং চাইবা অমসুং সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈরিবদুগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনজরবসু সিটি অদুবু মখোয়গী মখুৎতগী মাংখিবা নৎত্রগা মুনখিবা হায়বসি গ্রুপ অদুদা অচৌবা চৈথেং অমা শোয়দনা নংগনি হায়রি।

# ইরাক্তা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মিলিটেন্ট ৩৬ নোংমতদা পুল্লপ হাৎখ্রে

বাঘদাদ, ওগষ্ট ২২ ঃ
চহী অসিগী মমাঙদা বাঘদাদকী অৰাংদা লৈবা কেম্প অমদা অয়াম্বনা সিয়াইট ওইবা লান্মী চা কয়া পুল্লপ ওইনা হাৎখিবগীদমক্তা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মিলিটেন্ট ৩৬ মঙকশমদা থৌরি কোঙ্গোই থুদুনা হাৎখ্রে হায়না ইরাকনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ইস্লামিষ্ট ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা ইরাক্কী অৰাং অমসুং নোংচুপ থংবা শরুকশিং কন্ট্রোল তৌখিবদগী ইরাকি গভর্ণমেন্টনা নোংমতদা মিলিটেন্ট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না হাৎপসি ইনৌ নৌবা মীহাৎ অসিনা ওইরি।

মীহাৎশিং অদু ইরাক্কী সাউদর্ন সিটি নাসিরিয়াদা লৈবা জেল অমদা পাঙথোকখিবনি হায়না ষ্টেট টেলিভিজনগা জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী ৰারোল পল্লদুনা হায়খি।

চহী ২ গী মমাঙদা হুশৈইনগী হোম টাউন টিক্রিটকা তাইননা লৈবা হান্নগী য়ু এস মিলিটরি বেজ অমা ওইরিবা কেম্প স্পেচরদগী চেন্থোকখিবা লান্মী ১,৭০০ কা হেন্না হকচিনবা সুনি গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেটনা কেম্প অদুবু কেপচর তৌনবা চঙশিনখিবা মতমদা হাৎখি।

হৌখিবপা জুলাই ৩ দা বাঘদাদকী সোপ্পিং ষ্ট্রীট অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা অচৌবা বোম্মিং এটেক অদুগী মতুংদা শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রবা মিলিটেন্টশিংবু হাৎননবা লোকেল সিয়াইট পোলিটিসিয়নশিংগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্টদা প্রেসর কন্না পীখিবনি। জুলাই ৩ গী অচৌবা বোম্মিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২৪ শিখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেইম তৌখিবা কেরাদা দিষ্ট্রিক্তা চথখিবা ত্রক বোম অদু কুমজা ২০০৩ দা য়ু এসনা লুচিংদুনা চথখিবা লান্দাদা সদ্দাম হুশৈইনবু মফমদগী চিংথুদুনা হাৎখিঙৈদগী খ্বাইদগী শাথিবা ওইখি।

ইরাক্কী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা নুমিৎ খরনি লৈরগা চহী অসি হৌবদগী মীওই ৪৫ শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না লাউথোকখি। ইরাক্কা মিলিটেন্টশিংদুবু থুনা হাৎনবা হোৎনবনা মীচম কয়া অশিবগী খয়াৎতা তাহনগনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা ফোঙদোকখিবনি।

ইরাকতা হৌজিক চাউরাক্লা মীওই ১,২০০ রোম শিবগী চৈরাক ফংদুনা মতম ঙাইদুনা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা আপিল কয়া তৌবদা কান্নবা ফংদ্রবা মীওই চা কয়াসু য়াওরি হায়না য়ু এনগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# ‘টর্কিগী লুহোংফমগী এটেক্তা শিখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ২২ দি চহী ১৪ মখাগী অঙাংশিংনি’

অঙ্কারা, ওগষ্ট ২২ ঃ নোংমাইজিং নুমিৎতা সাউথ ইষ্টর্ন টর্কিগী সিটি গাজিএন্টেপতা লুহোংবগী পার্টি অমদা চথখিবা শাথিরবা সুইসাইদ এটেক অদুদা শিখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ দি চহী ১৪ গী মখাগী অঙাংশিংনি হায়না গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চহী ১২ অমসুং ১৪ গী মরক্কী সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীওই ৫১ শিহনখিবা এটেক অদু চথখিবনি হায়না প্রসিদেন্ট টয়ীপ ইর্দোগননা নোংমাইজিংকী অথেংবদা ফোঙদোকখি। মহাক্না অহানবগী থিজিনবদা ফংবা ইভিদেন্সকী মতুং ইন্না এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী খুৎনি হায়খি।

ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, মীওই ৫১ শিখি হায়রিবসিদা বোম্মর অদু য়াওদে। থৌদোক থোকফমদা অমাঙ-অতা থোক্লবা সুইসাইদ ভেষ্ট অমা থেংনখি। এটেক অদু কুমজা ২০১৬ তা টর্কিদা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা এটেক ওইখি।

ওথোরিটিশিংনা হৌজিক বোম্মরশিং অদুগী মশকশিং খঙদোক্লবা হোৎনরিবা ওইরবসু টর্কিদা চথবা মান্নবা এটেকশিং ইস্লামিক ষ্টেটকী খুৎনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা লাকখি। ইথনিক টেন্সন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী এটেক্করশিংনা কর্দিশ গেদরিংশিংদা তোয়না টার্গেট তৌদুনা লাকখি। মখোয়গী খ্বাইদগী শাথিবা এটেক্তি হৌখিবা ওক্টোবর থাদা ওইখি। মতমদুদা অঙ্কারাদা প্রো-কর্দিশ অমসুং লেবর এক্টিভিষ্টশিংনা চথখিবা রেলি অমদা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখি।

থাংজ নুমিৎকী এটেক অদু লৈবাক অসিগী মিলিটরি ওফিসর কাঙবু অমনা চথখিবা কু এটেম্পদা গভর্ণমেন্ট হিংহৌখিবা থা অমরোমগী মতুং মীয়ামদা শোক ওইবগী ফীভম অমা লৈরিঙৈ মরক্তা চথরকখিবনি।

# ফিলিপিন্সতা দ্রগকী মায়োক্তা চথবা লালদা ১,৮০০ শিখ্রে

মনিলা, ওগষ্ট ২২ ঃ চহী অসিগী জুলাই ১ দগী ফিলিপিন্সনা ইলিসিট দ্রগশিংগী মায়োক্তা চথরকখিবা । লালদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,৭৭৯ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক চথরিবা পুলিস ওপরেসনশিংদা পুন্না মীওই ৭১২ হাৎখ্রে লোয়ননা ভিজিলেন্টে টাইপকী মীহাৎশিংদনা মীওই ১,০৬৭ শিখ্রে হায়না সিনহুৰা ন্যুজ এজেন্সিনা পুলিসকী ৰারোল পল্লদুনা হায়খি।

পুলিসনা লোনা য়াদবা মীহাৎশিংগী মায়োক্তা লেপ্পিবসি করিগুম্বা ফীভম অমত্তনা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ‘করিগুম্বা পুলিস পার্সনেল অমবু মশা ঙাকথোকচবগী রুল থুগায়রম্বা থেংনরবদি মদু নিংথিনা থিজিনগনি, লিগেল এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা মতীক চাবা চৈরাক পীগনি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

ভিজিলেন্টেগী মীহাৎশিংগী মতাংদা হায়নরিবশিং, ঙাঙনরিবশিং অসিগী মতাংদা হায়বা য়াবদি ভিজিলেন্টে মীহাৎশিং অসি পুলিসনা য়াবা লৈতে কৈদৌঙৈদসু য়ানিংঙাই ওইরোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# গাজাদা লৈবা হামাসকী টার্গেটশিংদা ইজরেলনা এটেক তৌখ্রে



জেরুসালেম, ওগষ্ট ২২ ঃ
পালেষ্টিনিয়ন এনক্লেভতগী কাপ্পকখিবা রোকেট অমা ইজরেলি সিটি সদেরোটতা তাশিনখিবা মতুংদা ইজরেলনা গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হামাসকী পোজিসনশিংদা নোংথক্তগী অমসুং টেঙ্ক কাপ্তুনা এটেক তৌখ্রে।

গজাদগী কিলোমিটর মরি য়ৌদনা সদেরোটকী লম্বী অমদা লৈবা বিল্ডিং অনীগী মরক্তা রোকেট অমা তাশিল্লকখি তৌইগুম্বসু মীশি-মীনাদি থোকখিদে। আর্মিগী স্পোক্সমেন পিটর লর্নরনা হায়খি মদুদি, ইজরেলি ফোর্সশিংনা নোদর্ন গজাদা পালেষ্টিনিয়ন ইস্লামিক মুভমেন্টকী টার্গেটশিংদা হিট তৌদুনা খুৎ হনখি।

‘গজা ষ্ট্রিপতা চথরকখিবা রোকেট এটেক অদুগী পাউখুম ওইনা আই এ এফ (ইজরেলি এয়র ফোর্স) অমসুং টেঙ্কশিংনা নোদর্ন গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হামাসকী পোষ্ট অনীদা টার্গেট তৌখি হায়না লর্নরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ইজরেলিশিংনা কাপশিল্লকপদা মীওই অনী অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ এন্দ সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

শোক্লবা পলেষ্টিনিয়নশিংদুগী মনুংদা অমদি চহী ২০ গী নহা অমনি। মহাক মমায়দা বোম মচেৎ অমনা পানখি হায়না হামাসনা কন্ট্রোল তৌবা গজাদা পলেষ্টিনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অশ্রফ অল-কুদ্রানা হায়খি।

টেরটরি অদুদগী সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলনা কাপ্পকপদুদা নোদর্ন গজাদা লৈবা টার্গেটশিংদা হিট তৌখি অমসুং বৈট হনুনদা লৈবা রিজার্ভর অমা থুগায়খি।

ৰিটনেসশিংনা হায়খি মদুদি, হামাসকী মিলিটরি ৰিং ইজেদিন অল-কাশাম বৃগেদসকী মনাক নকপা বৈট লহয়াদা লৈবা বেজ অমসু হিট তৌখি।

পলেষ্টিনিয়নশিংগা কুমজা ২০১৪ দা মমাঙগী অরোইবা লাল শোক্ল খিঙৈদগী গজাদগী রোকেট কাপ্পকপদা দাউনটাউন সদেরোটতা হিট তৌখিবসি মদুনা অহানবনি হায়না ইজরেলি মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাই ২ দা রোকেট অমনা সদেরোটতা লৈবা বিল্ডিং অমদা হিট তৌখিবা মতুংদা ইজরেলনা গজাদা এয়র রেইদশিং চথখি অমসুং মফম মরিদা হিট তৌখি । এটেকশিং অদুদা মীশি-মীনা অমত্তা য়াওখিদ্রে।

# নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেট লৈরবসু সাউথ কোরিয়া, য়ু এসনা মিলিটরি দ্রীলশিং হৌখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ২২ ঃ
নোর্থ কোরিয়ানা অকনবা ৱার্নিং পীবা লৈরবসু সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙসিদগী এন্যুএল মিলিটরি দিলশিং হৌখ্রে। মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু লান্দানবা হোৎনবগী রিহর্সেলনি হায়রদুনা নোর্থ কোরিয়ানা মদু পাঙথোক্লবদি ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক চথগনি হায়না কিহনখিবনি।



পিয়োংয়াংগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপসি মহৌশাদগী তোয়না তৌদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী অনৌবা ৱার্নিং অসিদি নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র দিপ্লোমেট অমা সিওলদা চেনশিনখিবদগী অমসুং য়ু এসনা হায় টেক মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা সাউথ কোরিয়াদা দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং তৌরকপদগী লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎলকপগা চাননা পীখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থকী মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা নোর্থকী টেরটরিদা অকন-অরিং শিংবগী থৌদৌ চথবা তারবদি সিওল অমসুং ৱাশিংটনবু কোরিয়ন ষ্টাইলগী প্রি-এম্পটিভ ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা উৎকী মপৈ ওলহনগনি।

পিয়োংয়াংগী ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, মিলিটরি দ্রীলশিং অদুদা চেন্নরিবা সাউথ কোরিয়ন অমসুং য়ু এস ফোর্সশিংদা খুৎ হনবগী এটেকশিং চথনবা নোর্থকী ফার্ষ্ট ষ্ট্রাইক য়ুনিটশিং শেম-শাদুনা লৈরে। সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা নোর্থকী ৱার্নিং অদুদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দ্রীলশিং অদু মশা ঙাকথোকচনবগ মওংদা পাঙথোকপনি। পিয়োংয়াংদা লান্দাগে হায়বগী ৱাখল চেন্দে হায়না সিওল অমসুং ৱাশিংটননা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখিবা নুমিৎ ১২ নিগী উলচি ফ্রীদম গদিয়ন দ্রীলশিং অদু মরু ওইনা কম্প্যুটর সিম্যুলেটেদ ৱার গেমশিংনি। য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিশিংগী মতুং ইন্না, ট্রেনিং অদুদা অমেরিকান ট্রুপ ২৫,০০০ অমসুং সাউথ কোরিয়ান লান্মী ৫০,০০০ না শরুক য়ারি।

লন্দনদা লৈবা নোর্থকী এম্বেসিদা নম্বর টু দিপ্লোমেট ওইরিবা থে য়োংহোনা হন্দক নোর্থকী লিদরশিপকী থৌওংদা পেন্দবদগী সাউথ কোরিয়াদা দিফেক্ট তৌখিবা নুমিৎ খরনি লৈরগা দ্রীলশিং অদু পাঙথোক্লিবনি।

পিয়োংয়াংগী ষ্টেট মিদিয়ানা মহাকপু মাইনর নুপীমচাদা সেক্সুএল এসোল্টশিং চথখিবা য়াওনা ক্রিমিনেলগী থবক থৌওং কয়া পরিং নাইনা চথখিবগীদমক্তা ময়ুম লৈবাক্তা ৱায়েল চথনবগীদমক্তা পাম্বা ‘খনে দাকখাক মী’ অমসুং ক্রিমিনেল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ুন-য়েনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মরু ওইবা ফিগর কয়ানা দিফেক্সন তৌখিবদগী নোর্থকী রুলিং এলিট ক্লাসতা চাউনা ময়ী চৎলকপগী খুদমশিং লৈরে। পার্কনা সিক্যুরিটি মীটিং অমদা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা দোমেষ্টিক প্রোব্লেমশিংদগী মীয়ামগী পুক্নিং থৈদোকখিনবা পিয়োংয়াংনা সাইবর এটেকশিং নৎত্রগা অতৈ কায়হৌবগী থৌওংশিং সাউথ কোরিয়াদা চথরকপা য়াই।

এনালিষ্ট কয়ান ফোঙদোক্লি মদুদি, থে য়োংহোনা দিফেক্সন তৌরিবদুনা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোন নৈগী গভর্ণমেন্টবু মায় খুহল্লে। তৌইগুম্বসুং মদুনা লৈবাক অদুগী এলিট ক্লাসকী য়ুনিটবুদি শোকহল্লোই।

সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী টর্মিনেল হায়-অলটিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স সিষ্টেম দিপ্লোই তৌনবা থৌরাং অমা লৌখৎলকখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী লালগী ৱাঙাঙ-শঙাঙশিং কনখৎলকখিবনি। ৱাশিংটন অমসুং সিওলনা দিফেন্স সিষ্টেম অদু কোরিয়ন থ্রেটশিং হেনগৎলক্লিবদু য়েংদুনা তঙাইফদনা লৌখৎতবা য়াদবা খোঙথাং অমনি হায়রি।




## EMPLOYMENT NEWS

### RITES Limited Recruitment – Manager Vacancy – Last Date 02 September 2016

RITES Limited invites application for the post of Manager (Environmental Engineering)) on Regular basis. Apply Online before 02 September 2016.

Advt No : 91/2016

**Job Details :**

Post Name : Manager (Environmental Engineering))
No Of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 24900-50500/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for RITES Recruitment :**

Educational Qualification :

Full time Post-Graduate Degree in Environmental Engineering or Full time First Class Degree in Civil Engineering.

Nationality : Indian

Age Limit : 40 years (As on 01.08.2016)

Job Location : All India

Selection Process : Selection will be made on Medical Test & Interview.

**How to Apply RITES Vacancy :**

Interested Candidates may apply Online through the website http://rites.com from 17.08.2016 to 02.09.2016. and hard copy of Online application along with self-attested photocopies of relevant documents, experience certificate & two recent passport size colour photograph send to Assistant Manager (P)/Rectt., RITES Ltd., RITES Bhawan, Plot No.1, Sector-29, Gurgaon – 122001, Haryana on or before 13.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 17.08.2016
Last Date for Submission of Online Application : 02.09.2016
Last Date for Receipt of Hard Copy of Online Application : 13.09.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://rites.com/web/images/stories/uploadVacancy/91-16-ue%20manager%20ad%20final.pdf
Apply Online : http://recruit.rites.com/frmRegistration.aspx

### Uttarakhand Subordinate Service Selection Commission – UKSSSC Recruitment 2016 – 332 Personal Assistant, Forest Supervisor & Various Vacancies – Last Date 30 September

Uttarakhand Subordinate Service Selection Commission (UKSSSC) invites application for the post of 332 Personal Assistant, Forest Supervisor & Various Vacancies. Apply Online before 30 September 2016.

**Job Details :**

Post Name : Personal Assistant
No. of Vacancy : 36 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

Post Name : Forest Supervisor
No. of Vacancy : 95 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-

**Eligibility Criteria for UKSSSC Recruitment:**

**Educational Qualification :**

For Personal Assistant : Intermediate or equivalent from a recognized board & knowledge in Computer
For Forest Supervisor : B.Sc in Biology/Agriculture/Forest.

Nationality : Indian

Age Limit :

For Personal Assistant : 18 to 42 years
For Forest Supervisor : 21 to 42 Years

Job Location : Uttarakhand

Selection Process : The examination scheme for recruitment shall consist of Written Test & Typing Test.

**Application Fee:**
Candidates belongs to General & OBC category have to pay Rs.300/- and Rs.150/- for SC/ ST candidates of Uttarakhand through Net Banking/Debit Card/Credit Card.

**How to Apply UKSSSC Vacancy :**

Interested Candidates may apply online through the website www.sssc.uk.gov.in from 08.08.2016 to 30.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application : 08.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 30.09.2016
Last Date for Submission of Application fee by Online : 28.08.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.sssc.uk.gov.in/files/SAHAYAKLEKHAKAR_1.pdf

Apply Online : http://www.sssc.uk.gov.in/pages/display/122-releases%28%E0%A4%B5%E0% A4%BF%E0%A4%9C%E0%A5%8D%E0%A4%9E%E0%A4%AA%E0%A5%8D%E0%A4%A4%E0%A4%BF-%29